RNI 22347
ISSN 2348 - 2044
Unique ID N0.MN/2015/0088389 of May 2015

CELEBRATION 62 YEARS

# ꯔꯤꯇꯨ

# ঋতু



কুমারী তখেল্লম্বম থোইবী দেবীগী
অথন্নবা চেফোঙ
৬১ অমসুং ৬২ শুবা চহীগী
১৯১-১৯২, ১৯৩-১৯৪ অমসুং
১৯৫-১৯৬ শুবা মশীং
ফেব্রুৱারী-এপ্রিল, জুন-ওগষ্ট,
ওক্তোবর- ডিসেম্বর,২০২০

ꯗ ꯀꯜꯆꯔꯦꯜ ꯐꯣꯔꯝ, ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ
দ কলচরেল ফোরম, মণিপুর
রুপমহল টেঙ্ক কমপ্লেক্স, বি.টি.রোদ, ইম্ফাল -৭৯৫০০১
(Recognised by Sahitya Akademi, New Delhi)
http/w.w.w.culturalforummanipur.org.
email:journal.ritu@gmail.com

মমল লুপা ১৫০/-

| | | | |
|---|---|---|---|
| | ঃ | খোঙচৎ<br>–এল শরত সিংহ | ৭৮ |
| | ঃ | পোদোনগী মঙাল<br>–এল শরত সিংহ | ৭৮ |
| | ঃ | নূপীগী মপোক<br>–শঙলাকপম লক্ষ্মীপ্রিয়া | ৭৯ |
| | ঃ | মপু মাগী মফমদা<br>–অরাম্বম মেমে | ৮০ |
| | ঃ | মোংফমথক্কী শৈরেং<br>–হন্দোকপা ঃ নোংমাইথেম কিরনকুমার | ৮০ |
| | ঃ | কৌজগেনে ইমা হায়না<br>–হৈক্রুজম শ্যামসুন্দর সিংহ | ৮১ |
| ৱারীমচা | ঃ | **Free** গী মমল<br>–ফিজম সনাতোম্বী | ৮২ |
| নাৎ | ঃ | মণিপুরী নাংকী থাঙ-তা<br>–ওক্রম হীয়াইনু চনু অমসুং ডা ৱাইখোম রোমেশ | ৮৫ |
| | ঃ | মীতৈ খুন্নাইদা ইমোইনুগী শক্তোন<br>–সৌবাম ধনেশোরী দেবী অমসুং প্রোফেসর টি তম্ফা | ৮৮ |
| | ঃ | মণিপুরী মিথোলোজিকেল লেজন্দ 'পাছোইবী' অমসুং নাৎ<br>–দা. লমাবম ইবেমা দেবী | ৯১ |
| ফোকলোর | ঃ | ফৌওইবী লাইরেম্বীঃ মণিপুরী নাৎ অমসুং থোরিরোল<br>–দা ৱাংখৈরাকপম এঞ্জেলা দেবী | ৯৬ |
| | ঃ | ককচিং খুম্ফোকলোন্দা মিৎয়েং অমা<br>–দা ক্ষেত্রিময়ুম কিরন সিংহ | ১০০ |
| | ঃ | মহাকাব্য অমসুং হিজম অঙাংহলগী খম্ব-থোইবী শৈরেং<br>–ডা সাইখোম রোবিন্দ্রো সিংহ | ১০৪ |
| | ঃ | রিদলগী কায়াৎ অমসুং মথলশিং<br>–ডা মোইরাংথেম নির্মালা দেবী | ১০৯ |
| | ঃ | মিথ (লাই-তনীগী ৱারী)না মণিপুরী খুন্নাইদা লৌরিবা থৌদাং<br>–নোংমৈকাপম তেতে দেবী | ১১৩ |
| জেনরেল সেক্রেটরীগী ৱারোল | ঃ | ক্ষেত্রি রাজেন | ১১৭ |

# মহাকাব্য অমসুং হিজম অঙাংহলগী খম্ব-থোইবী শৈরেং

-ডা সাইখোম রোবিন্দ্রো সিংহ
জনতা কলেজ, কাবুগঞ্জ, কাছার, আসাম

ফোকলোরনা লিত্রেচরদা অচৌবা মথিল পীবতা নত্তনা ফোকলোরগী মচাক-মরলশিং কয়াবু হকথেংননা নংত্রগা নাকোইননা ''...(১) লিত্রেচরদা অনৌবা শক্লোন কয়া ওৎশোক্নুনা পুরকই হায়বগী আকর তেংলবগী লোন্দাদা হায়রগনা ''... (২) লিটরেচর কন্টেন্স ইলিমেন্টস বোরো ফ্রোম ফোকলোর এন্দ (৩) রাইটর্স হেব লিমিটেদ ফোকলোর'' অসিনি। মণিপুরী সংস্কৃতিগা থালোক্নবা মাদনা থাগোমদুনা অচেৎপা মরী লৈনরিবা ফোকলোরগী মরম ওইরিবা পেনা শৈশক্কী খুদোল অমনি *খম্ব-থোইবী শৈরেং*। পেনাগী নুংশিরবা তাম্বাগা লোয়ননা পেনা অশৈবশিংনা লোয়থুব্রবা শৈহেঙ্কা শকপা মোইরাং কংলৈরোলগী রাবী তারুন্দগী মহাকবি অঙাংহলগী থম্মোইদা পীক্লিন্তুদগী হৌনা ইনিংবা ফাওখি। ইনিংবগী অকনবা ইহুল অদুনা লৈবাক্লা শকথঙনরবা পেনা শৈশকপা চুংখাম মনিক সিংহনা চঙজখি। অদুবু পেনা অশৈবা অসিনা তাকপিরকপা চীনবুংদা শক্লরল্লিবা শৈশক শৈদা, প্রমাণ-পাঙ্গে, লোন্দা-পুন্দা অসিনচিংবদু হেক্তমক মহাকবি অঙাংহলনা ইশিনবা নত্তে হায়বসি *খম্ব-থোইবী শৈরেং* গী 'হৌরকফম' দা ময়েক শেংনা পল্লিঃ

ওঝা ইবুংঙোগী রহে-শৈরেংগী মঁপে, শ্রীমুখদগী চেনথোরকপা পুঙ্গা মপুং ফানা লৌশিঞ্জবা ঙমদদুনাঁ রাখরে। পোংলাংগুম্না থম্মোইনিনা হাপউবা মণি পুঙ্গা ওঝাগী সংগাই মাংগোন্দা অদুম তাহৌই। অপৌবা মাক্লোন থরা পকহৌবা অদু পুদুনা লাকই।

রাফম অসিদগী মমেক শেংনা খঙবা ঙম্মদি মহাকবি অঙাংহলনা চীনবুং সাহিত্যদগী মচাকশিং লৌরবসু মশাগী মরল্লাই খুৎশেম অমসুং কবিত্ব শক্তিগা লোয়ননা মচু-মমেল শঙদুনা পুথোরকপা অশেংবা সাহিত্যগী পোথোক অমনি হায়বসিনি। অসিগুম্না মহাকবি অঙাংহলগী খুদোল অসি মণিপুরী সাহিত্যদতা নত্তনা অরাং-নোংপোক ভারতকী মশাগী লৈপাক লৈহাউদা মরু হুন্দুনা হৌরক-চাউরকপা অমদি লৈনমগা লোয়ননা ফুগাইনা শাংলিবা তোমথিন ওইরিবা মহাকাব্যনি হায়দবা ঙমদে।

মহাকাব্য হায়বা সংস্কৃত শব্দসি 'মহত' অমসুং 'কাব্য' অনীনা পুল্লগা শেম্বনি, অমসিগী অর্থনা 'অচৌবা কাব্য' হায়বনি। মহাকাব্য হায়বসি রাগী নাইনা ইবা প্রবন্ধ কাব্যগী মশা অমনি। মহাকাব্য করিনো হায়বগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা মিংওইং খরদং মথানা পীজরি।

An epic is a long narrative peom, on a grand scale, about the deeds of warriors and heroes. It is a polygonal 'heroic' story incorporating myth, legend, folktale and history.

এম এচ অব্রামস-না মহাকাব্যগী মিকিনিসনবু অসুম্না পীরিঃ

... it is a long narrative poem on a great and serious subject, related in an elevated style, and centrered on a heroic or quasi-diging figure on whose actions depends the fate of a tribe, a nation, or the human race.

এন দি আর চন্দ্র অমসুং এ জে সেবেষ্টাইননা পীরিবা মহাকাব্যগী শক্তাক রাঙোম অসিসু য়েংবা য়াইঃ

Epic is a long snrrative poem that is magnificent in theme, tone and style. An epic deals with legendary or historical events of national or universal significance. It celebrates heroic deeds and consmically important events.

তোঙান-তোঙানবা মিংয়েংশিং অসিগী খুপচিন্না হায়রবদা মতিক-মগুণ লৈরবা লাই নংত্রগা লাইওই-মীওই তৌবা, সংস্কৃতি পুরুষ নংত্রগা কনাগুম্না মহাপুরুষ নংত্রগা অকল-অথৌ অমগী পোকন্দগী শিবা ফাওবগী মপুং ফাবা পুন্সিগী মতিক-মগুণ অমদি মথৌনা মরিংজেলগী মাগীবু শৈথাদুনা তাল, ছন্দ, মাত্র নাইনা ইবা জাতি অমগী নংত্রগা কাংলুপ অমগী নংত্রগা মীওইবা জাতিগী মমাইদা উৎকুনা ইবা অচৌবা-অশাংবা কাব্য অদু মহাকাব্যনি হায়না লৌনে।

মহাকাব্য অমা ওইবদা চঙয়রবা মাগ্রবা মচাকশিং তোঙান-তোঙাম্না লৈ। হায়রিবা মচাকশিং অসি নোংপোক অমসুং নোংচুপকী সাহিত্য লৈনরোলগী মতুংইন্না খেন্নবা খরদি

লৈতবা নত্তে। নৈন-রারেং অসিগী পান্দমদি খম্ব-থোইবী শৈরেং অসি নোংপোক নংত্রগা ভারতীয় আচার্যশিংনা। পীরম্ না মহাকাব্য অমা ওইবদা চঙফবা য়াম্রবা মচাকশিং অদুদা মিংয়েং থম্লগা নৈননবা হোংনবনি। মচাকশিং অদুদা মিংয়েং থম্লগা অম্ভাংহন্নগী খম্ব-থোইবী শৈরেং বু মহাকাব্য অমা ওইনা নৈনরি।

**বারীঃ** মহাকাব্য হায়বসি কনাগুম্বা লাই নংত্রগা লাইওই-মীওই তৌবা নংত্রগা ইতিহাসকী বারী নংত্রগা মীয়াম্না শীংথানরিবা থোইদোক হেন্দোকপা কনাগুম্বা মহাপুরুষ অমগী পুন্সিগী বারীদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইনৈ। খম্ব-থোইবী শৈরেংগী বারী মপূংসি সুপরনেচরেল এলিমেন্ট কয়াগা তোংশিন্নদুনা শাগংপা পার্সোনেল লেজন্দনি। খম্বা অমসুং থোইবী অনীসি থাংজিং অমসুং অয়াংলৈমা পাহ্নোইবী অনীগী তরেংশুবা পায়োলনি হায়না মণিপুরীশিংনা থাজনৈ। খম্বা অমসুং থোইবীবু লাইমক নংত্রগা লাইগী শায়োল ওইনা লৌনৈ অমুকসু খম্ব-থোইবীগী বারী অসি মণিপুরীশিংনা থাজিং লাইনা শিনবা লীলা শংদিংনি হায়না লৌনৈ। কংলৈদনা মৈদিংগু থবী লাম্বা (১৩০২-১৩২৪) অদুগা মোইবাংদনা পুরিকলাই লাইচিংখু উন্না তেনলৈবা (১৪ শুবা চহীচা) না পাল্লিভৈদা থোকখিবা বারীনি হায়না থাজনরি।১ বারীসি ইতিহাসমক নংত্রবসু মণিপুরী সমাজদদি রামায়ণ অমসুং মহাভারতকুম্না মীয়াম্না খঙনরবা, পথাং-পুথাং কয়াদগী চীনবুন্দা মীরোল নাইনা থংথরকপনি। সেনা অশৈবশিংঅমদি খোংজোম পর্বগী শৈশকশিং কয়াগী মতেংদগী মতাং কয়া হাপচিন্দুনা মপূঙ ফাখিবনি। বারীগী মতাংদদি মহাকাব্যগী হীরম ওইবদা থোইদোক্লা নোপত্রে হায়দবা ঙমদে।

**মিংথোলঃ** মহাকাব্য অমগী মিংথোল অসি তরাই-তরাইনা হেক্তমক থোনবা য়াদে। অয়াম্বনা থৌদোক্কী মমিং, কবিগী মমিং, নায়ক্কী মমিং, নায়িকাগী মমিংনচিংবা লৌদুনা থোনবা চংনৈ। মিংথোলগী মতাংদদি ভারতীয় আচার্যশিংনা পীরম্না মিংয়েংদগী নখিদুনা মমিং থোনবসি খম্ব-থোইবী শৈরেংদা থেংনৈ। নায়ক অমসুং নায়িকা অনীমক্কী মমিং লৌদুনা থোনবনি। নায়ক নায়িকা অনীগী মমিং লৌদুনা মহাকাব্যগী মিংথোল পীবা য়ায়বসি তরাই-তরাইবা নত্তে। মহাকাব্য অদুদা নায়ক- নায়িকা অনীমক্না মপূঙ ওইবা থৌদাং লৌবা তাই। অম্ভাংলনা মাগী মহাকাব্য অসিদা খম্বা অমসুং থোইবী অনীমক্কী মতসি য়াম্নমক মপূঙ

লম্না ফিদম্নিংঙাই ওইনা, থোইদোক হেন্দোকপা মতিক-মগুণগা লোয়ননা পুথোরকই। মরম অসিনা অম্ভাংহন্ননা নায়ক-নায়িকাগী মমিং লৌদুনা থোল্লখিবসি থোইদোক্লা সনাদা তম্ফা শিনবগুম ফজহল্লি। রামায়ন, মহাভারত, ইলিয়দ, ওদেসিনশিংবা, এশিকতা মশক মচু অমসুং মগুণগা মিংথোলগা চান্নবা মগুণদু খম্ব-থোইবী শৈরেংদসু উবা ফংই।

**মঙ্গলাচরণঃ** মঙ্গলাচরণ হায়বসি মহাকাব্য অমদা য়াওদবা য়াদে। মঙ্গলাচরণ অদু আশীর্বাদকী মওং (আশীর্বাদত্মক), খুরুমজবগী মওং (নমস্কারত্মক), হীরম তাকপগী মওং (বস্তুনির্দেশাত্মক) হায়রিবা মওং অহুমসিগী মরক্তগী অমা ওইবা য়াই। মহাকবি অম্ভাংহন্নগী খম্ব-থোইবী শৈরেংদা য়াওরিবা মঙ্গলাচরণগী মশক অসিদি খুরুমজবগী মওং (নমস্কারত্মক) অসিনি। অহানবদা অম্ভাংহন্ননা নংঙোন্দা মণি-মুক্তাদগীসু হেন্নবা পাউতাক কয়া পীবিরিবা শ্রীগুরুগী মখুয়া থম্বাল শোঙ্গুনা খুরুমজে। মথংদা খম্ববু শ্রীকৃষ্ণগী মতৌগুম মহাপ্রভুগী থাওনা পুখংতুনা খুরুমজে। খম্ববু মহাপ্রভুগী থাওনা পুখংপা হায়বসিমক্তি থরা থজিক চুশিন্নবা রাংপা ওইনা থোকই। অরোইবদা শ্রীকৃষ্ণ, শ্রীশ্রীগোলোকনাথনচিংববুসু খুরুমজে। মঙ্গলাচরণগী তোঙান-তোঙানবা মওংশিংগী মরক্তা বস্তুনির্দেশাত্মক হীরম তাকপগী মওং অসিনা থোইদোক্লা ফজবনি লৌনৈ। হায়রিবা মঙ্গলাচরণগী মশকসি খম্ব-থোইবী শৈরেং দদি উবা ফংদে। হীরম তাকপগী মওং অসিমক নংত্রবসু মহাকাব্য অসিদা মঙ্গলাচরণগী মরিক-চুম্না ফজবা মশক অমদি য়াওরি।

**সর্গঃ** মহাকাব্য হায়বসি সর্গ নাইনা ইনৈ। খম্ব-থোইবী শৈরেং অসি 'শন শেনবা' দগীনা 'খম্ব-থোইবী লুহোংবা' ফাওবসি সর্গ নিফুহুমদোইনি। কন্নি-কন্নিগুম্বা সাহিত্যশাস্ত্র নংত্রগা কাব্যশাস্ত্রদদি সর্গগী মশীং চাউরাক্লা অকক্লনা পীরম্বসু য়াওই। আচার্য্য বিশ্বনাথ কবিরাজনা মাগী *সাহিত্য দর্পণ* দা মহাকাব্যগী সর্গসি নিপালদগী হেন্না য়াওফম থোকই হায়না পল্লমই। অদুগা *ঈশান সংহিতা* হায়বা সাহিত্যশাস্ত্র অদুদনা সর্গ নিপালদগী তাদবা অমসুং কুম্লাদগী হেন্দবা ওইগদবনি হায়না অকক্লনা পল্লমই। *ঈশান সংহিতা* গী মিংয়েংদগী য়েংলুরবদি খম্ব-থোইবী শৈরেং গী সর্গ অসি মশা মরেং লোংবা, পাক চাউবা হেনবগুম উই। তৌইগুম্বসুং আচার্য্য বিশ্বনাথ কবিরাজগী মোত মতুংইন্নদি সর্গ নিপালদগী তাদবা হায়বনিনা সর্গ নিফুহুমদোই লৈরিবসি

থোইনা কাইদে হায়বা য়াই।

**নায়কঃ** মহাকাব্যগী নায়কতি মীচম্না ওইবা য়াদে। লাই নংত্রগা লাইওই-মীওই তৌবা নংত্রগা শাগে-জাৎ ফরবা, জাতি অদুগী মীয়াম্না ঈকাই খুম্নবা কুলপ্রসূত মহাপুরুষ নংত্রগা লাইপোক ওইরবা অমনা নায়ক ওইগনি। *খম্ব-থোইবী শৈরেং*গী নায়কতি খম্বনি। খম্বদি লাই নত্তে, মীওইবনি। মনিপুরীশিংগী থাজনবী মতুংইন্নদি থাংজিং লাইনা মাগী লীলা শংদিং মপুঙ ফানবা খম্বগী শায়োন তৌখিবনি হায়না লৌনৈ। খম্বা লাইমক নংত্রবসু মহাকপুরুষ নংত্রগা লাইপোক অমগী মতিক-মগুাল চপ-চানা লৈজে। শাগে জাৎতা য়েংলুরবসু য়ুরেঙ্গমনি, খুমন মচানি। পলেম পম্বৌনা লৈবাক রাজেন থৌদা পুরম্না অঙগম্না পুরেম্না অমসুং ভাঙ্গৈমনি। নায়ক মখল মরিগী মনুংদা ধীরোদাত্তনি। ধীরোদাত্ত নায়ক অমগী মথা থাগৎচদবা, ভাকপী হৈবা, পূকচেল চাউবা, মথৌ মশক খগুবা, রাশক ভাকপা, নাপল তৌদবনচিংবা মগুণশিংদু খম্বগী চরিত্রদা য়াওরি। খুইরাকপম চাউবগী *খম্বা থোইবীগী বারী* অমসুং *মহাকাব্য* দা 'খম্বগী পি মরীক খুদিংনা খম্বগী চরিত্রগী অথোই-অথোইবা পূম্নমক শাগৎপ্রিবনি' হায়না শিংথাররম্মই। অমুকসু খম্ববু 'পুকচেল শেংবদা নোল্লকপদা, ধর্ম চেনবদা য়ুধিষ্ঠিরনি, পাঙ্গল অমদি অকিবা লৈতবদা ভীমনি, মঈহৈদা শাথেং-লাম্থেংনবদা হৈশিংলবা অর্জুননি, ফজবদা নকুলনি অমসুং তুংগী রাখল লৈবদা সহদেবনি' হায়না পাণ্ডব মচীন-মনাউ মঙাগা চাংদম্নরম্মই। তশেংনমকপু 'কাও', 'লৈ হেকপা', 'শন শেনবা', 'খম্বনা করোদা কোইবগী বাথোক অমসুং বিচার', অসিনচিংবা সর্গ কয়াদা ধীরোদাত্ত নায়ক অমগী ফীদম্লিংঙাই ওইবা লমচৎশিং খম্বগী চরিত্রদা য়াওরি।

**রসঃ** মহাকাব্য অমদা রস মখল শুনা য়াওগনি। অদুবু শৃঙ্গার, বীর অমসুং শান্ত হায়বা অহুমসিগী মনুংদগী অমনা মপুঙ ওইগনি। *খম্ব-থোইবী শৈরেং*গী মপুঙ ওইবা রসতি শৃঙ্গাররনি। শৃঙ্গারগী তোঙান-তোঙানবা বিপ্রলম্ভ (কায়নবা) অমসুং সংয়োগ (নবা) শৃঙ্গার মখল অনীসিসু নীংথিজনা য়াওরি। সংয়োগ শৃঙ্গারগী খুদম অমতং য়েংবা য়াই।

কৌরৌ নোংদোন থেংনা অরাংবা পামেল মতোপ্দা,
ইরোম লোম্না উতোপ্দা শাংচরবী লৈরাংনা,
পিজেল-মপুং ফারবা ফুগাইনা শাংলবা
মতম তাঙ্গাদুমক্তা থংহৌদনা তেকত্নুনা
তারকপগুম লৈরাংনা মালেম লৈকং থক-তুদা,
পম্বৌ মাংগোল-লাংদুনা থোইবী লৈরে তাথরে।।
নু-দা চৎবা নীল্লাগুম মহি-ময়াই চমথরে।।
লৈথোকসিসু গুমদরে লৈসিনবসু য়াদরে।
উতিংবগুম তুমিন্না তিংদম খম্বা য়েংদুনা
লৈরে মক্তা ইবেম্মা থোয়বনি মাইনি হায়খিরে।।

মহাকাব্য অসিগী সর্গ নিকুম্ভমদোইগী মনুংদা করোগী নাক-য়েংশী সিক্লুরেংদা শাগৎপা সর্গ মরি-করোদা 'কাং শান্নবা', 'শীং চনবা', 'লোং থোনবা', 'ফী-শাবা তান্নবা' অদুগা অমুকসু কৈ ফাবগা মরী লৈনবা সর্গ তরেৎ-' খম্বনা থোংলেনগী তা রাইবা লাকপা', 'খম্ব-নোংবান অনীনা কৈ ফাবা কুম্মকপা', 'খম্ব-নোংবান অনীনা পঙ্গুং চৎবা', 'অনী থংলদুনা পঙ্গুংদগী থোরকপা', 'মাকোনবা পুং চৎবা', 'খম্বনা নোংবান পোদুনা পঙ্গুংদগী থোরকপা', 'পঙ্গুং মৈ থারকপা খম্বা অমুক চংলকপা' -পূম্না সর্গ তরামাথোইসি নত্তনা অতৈ কুম্ভানিথোইদি খম্ব-থোইবী অনীগী বিপ্রলম্ভ (বিয়োগ) অমসুং সংয়োগ শৃঙ্গার রসকী মহাউ শীবনা অয়াম্বনি। মহাকাব্য অসিদা বীর, হাস্য, করুণ, রৌদ্র, অদ্ভুত, বাৎসল্য, ভয়ানক, বিভৎষানচিংবা রসশিংসু অতিক্রম্না লৈরি। তৌইগুম্নসুং শান্ত রসকী মতাংদদি রাংপগুম উই।

**ছন্দঃ** সর্গ খুদিংমক্কী ছন্দ অমমম লৈবা হায়বসি মহাকাব্যগী শৈনপানি। সর্গ অমগী লোইশিল্লকপদা অতোপ্পা ছন্দ অমা শীজিন্নগনি। *খম্ব-থোইবী শৈরেং*গী ছন্দগী মশকতি মাত্রা তরেৎ-তরেৎ (৭ / ৭) লৈবা, পূম্না মাত্র তরামনি (১৪)না পরেং অমমম শাবা পায়ার জাতিগী অমিত্রাক্ষর ছন্দদা ইবনি। মহাকাব্য অসিগী ছন্দগী মতাংদা মহাকবি অঙাংহল মশানা 'কোংনুংদা হল্লকপা' হায়বা সর্গদা অসুম্না ফোঙদোকই:

শৈরেংসিনা লেপ্পদি- থোনথোক তরেৎ তরেৎনা
মতুপ অম ওইবনি, সোর য়োনকম অমনা
মশিং অমা লৌরগা তাংকক নিপান নিপাল্দা
পরেং শাবা শৈরেংনি, খুইদে লাইবা-মওংনি।

অদুবু সর্গ অমগী লোইশিল্লকপদা ছন্দ অমু অতোপ্পা ছন্দদা ওন্থোকপদি থেংনদে। পেনা অশৈবশিংগী চিন্থাংদগী ইথোরকপনিনা পেনা ছন্দগী মশক্তা য়েংবসু য়াই। পেনাগী শৈহেক-শৈদাশিং হায়বদি শিকপলোন, হেম্ফি থাইরে, হেম্ফি পাবোৎ অসিনচিংবশিং অসিগী তুংইনবা সুর-ছন্দদা ইবা

মহাকাব্য অমরা হায়বা বাহংসি করিগুম্না মতাংদা পোক্লকই। হেক্সি পাবোং নংত্রগা হেক্সি থাংগৈগী শৈশক শৈরোলদা মতাং কয়ামুক পাম্দুনা শকপা য়াবা য়াওরি। সংস্কৃত কাব্যগী ছন্দগী নীতি নিয়ম চপ চানা ইন্দে হায়দুনা মহাকাব্য অসি ছন্দগী মতাংদা অশোয়বা লৈ হায়রবনি থম্নালগী লৈকাদা লৈখোম মরীক চাইশিনবগুম থোক্কনি নীংই।

**চরিত্র বর্ণনঃ** মহাকাব্য অমদা মতাং চানা অফবশিংবু থাগংপা ফত্তবশিংবু নিন্দা তৌবগী চরিত্র বর্ণন য়াওগনি। ধর্ম লৈবা অফবা মীবু থাগংপা, ফত্তবা মীবুনা নিন্দা তৌবগী মওংসি শম্ব-খোইবী শৈরেং দা মরীক চুম্না সর্গ কয়ামরুমদা য়াওবা খেংনৈ। মীগী ফত্তনবতা থনবা, মশাগীতা ময়েংবা, মীগী অফবা উরুবদা মথশ্মোই চাকচবনা লৈতাক্ষম খঙদবা অধর্মগী মশক ওইরবা নোংবানগী শাজং-লীচংপু উবদা নিংজোম্নাকপনা অসুম্না নিন্দা তৌই:

নিংজোম্নাকপা শাওরকই- ''তানিংদে ঙাংগনুনে,
নোংবান নহাক-থক্তনে মুংকদৌরি অজোম-সে।
য়েংউ শোইরেই জোংয়ানবা। ফনা নুংশিফম থোক্কই!
নংগা মাগা মরুপ্নি, নংদি নপান করিনা।
লাইরবনি শস্বদি-চরৈ থরা ফংবদি
হবাওক্কেনা নহাক্তো ধর্ম্ম লৈতে নহাক্তি,
তুংদা কয়া নুংঙাইরোই।'' হায়বিরক্কে নোংবান্দা।।

অদুগা অমুকসু ধর্ম চেবা, লীচং-শাজংতা লীদন্নিংঙাই ওইরিবা শম্বগী চরিত্রবু সর্গ কয়াদা মহাকবিনা সহনায়ক, সহনায়িকা অমদি অতৈ-অতৈ পাত্র পাত্রীশিংগী মচীন্দগী অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গংতুনা বর্ণন তৌবসু খেংনৈ। মহাকাব্য অমগী লৈফম থোকপা চরিত্র বর্ণনগী মশক্তু শম্ব-খোইবী শৈরেং দা য়াম্রমক মরীক চুম্না য়াওরি।

**প্রকৃতি বর্ণনঃ** প্রকৃতি বর্ণনগী মতাংদদি শম্ব-খোইবী শৈরেং অসি অৱাংবা থাক্তা থম্না য়াই। মতাং চানা চানা প্রকৃতিগী শক্তমশিংবু বর্ণন তৌই। লোক্তাক পাৎ, ইকোপ পাৎ, লকুগী বন, কৈগী বর্ণন, কাওগী বর্ণন, কোনুং, হৈকোল-লৈকোল, থাংজিং চীংগী ফজবা, অয়ুক-অহিং অসিনচিংবা বর্ণনশিং মরাং কায়না য়াওরি। অপহ্লুতি অর্থলঙ্কার শীজিন্নদুনা ঙাংবা নিংথি পামহৈবা কৌবা কাওগী বর্ণনদু পল্লরিঃ

কাওরেন মাবু য়েংলগা- ''থঙ্কক নত্তে য়াংকোক্তি,
নাতোন নত্তে মৈথম্নি, মচিং নত্তে থবাননি,
থবান নত্তে নারম্নি, মনা নংত্তে হুম্মাইনি
মনায় নত্তে চিম্মায়নি, য়াংলেন নত্তে লৌরি-নি
লৌরি নত্তে চিৱাংনি, মরেং নত্তে চিংপাংনি,
মকম নত্তে লৈপুংনি, লৈপুং নত্তে চিংদুম্নি,
মখোং নত্তে মুখীনি, ফজরেদা চাওরেনা?''

মহাকাব্য অসিদা প্রকৃতিগী পোংলমশিংবু ইচম-চম্না শৈথাংদা নত্তে, হ্যুমেনাইজেসন তৌরদুনা প্রকৃতি অমসুং মীওইবগী মরক্তা লৈনরিবা নুংগী ওইবা মরীদু ময়েক শেংনা উৎলি। শন, হি, কৈ, হৈ-লৈনচিংবনু হ্যুমেনাইজ তৌবগী থাক ৱাংলবা খুৎঅঙ্গী মওংসি মহাকাব্যসিদা খেংনৈ। ঙাংবা নিংথি পামহৈবা কৌবা কাও অসিবু শম্বা অমসুং থমনু অনীগী পলেম-পঙ্গৌগুম্না হ্যুমেনাইজ তৌবগী খুদম অমত্তং পীজরিঃ

কাওরেন থানা- ''ইকেম্ম! নমুনিংখৌ অসিনি
ইঙেতরিনি, ইশা কোনগে নচিনি লৌপ্পা।''

... ... ...

... কাওগী খুমঙ অনিদো
তিংখোরকই ইরেন। থারে শম্বু মৌপ্পা
কাওগী মথা অমেনবা অপাকপদি মচিন্দা
শম্বই মোম্পাক ওইকরে খুমং মোলাং নকউরে

**উদ্দেশ্যঃ** মহাকাব্যগী পাম্দমদি ধর্ম্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ মরি অসিগী মনুংদা অমদি ফংবা ওইগনি। শম্ব-খোইবী শৈরেং গী মরু ওইবা উদ্দেশ্যদি ধর্মনি। মোরেল ট্রুথ অমসুং মোরেল জসটিষ্টনি। শম্বনি অচুম্বা অমসুং ভক্তিগী সিম্বোলনি। নোঙ্গুকপা, খৌনা ফবা, য়েক্কবা নোংবান কাওবা নুংশিবা ওম্না অসিনচিংবা কয়া শম্বদা লৈতেংই। আদর্শগী মূর্তি অমনি। নোংবানদি অধর্মগী সিম্বোলনি। ধর্ম অমসুং অধর্ম অনী মুক্লহনবনি। পোলোইদা 'যথা ধর্ম তথা জয়ঃ' নংত্রগা 'সত্যমেব জয়তে' হায়বা পাউজেলদু পীরি। মহাকাব্য অমত্তদা ধর্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ হায়বা পাশম মরিমক য়াওবসি তাংই। শম্ব-খোইবী শৈরেং অসি উদ্দেশ্যগী মায়কৈদা য়েংলুরবসু ধর্মনা মপূর্ণ ওইবা অৱাংবা থাক্কী মহাকাব্যনি।

ভারতীয় আচার্য্যশিংগী মিংয়েংদগী য়েংবদা এলিমেন্ট অমা-অনী হেনবা নংত্রগা ৱাংপা য়াওরকসু শম্ব-খোইবী শৈরেং দি মহাকাব্যগী থাক্তগী হৎগদবা নত্তে। এরিষ্টোটলনা হোমারগী এলিয়দ অমসুং ওদিসিগী চুম্নমদা শাগংলা এপিক্কী এলিমেন্টশিংবু ভর্জিলনা ইবা এনিডতদি খর-খজিক হোংদোক-হোংজিন তৌখি। অদুগা জাতি-

জাতিদুগী মতম-মতমদুগী মতুংইন্না মহাকাব্যগী মশক্তংসু শোয়দনা খেন্নবা লৈগনি। ডা. সুনিতি কুমার চট্টর্জিনা মহাকাব্য অসিমকপু ''দ 'নেসনেল রোমান্টিক লিজেন্দ ওফ মণিপুর'... দি গ্রেট এপিক রোমান্স ওফ ৩৪,০০০ লাইন্স...'' হায়না থাক বাংলা শীংথারম্লবনি। খম্ব-থোইবী শৈরেং অসি নোংচুপ সাহিত্য নৈনরোলগী ...তুংইন্না (১) ফোক এপিক নৎত্রগা প্রাইমারি এপিক অমসুং (২) লিতরেরী এপিক নৎত্রগা সেকেন্দরি এপিক অনীসিগী মরক্তা অকোনবগী লিটরেরী এপিক মখলসিনি। চীনবুংদা লৈরম্লদগী অঙাংহল্লগী কবিত্ব শক্তিগা লোয়ননা মশাগী খুৎশেম্না মচু শংদুনা পুথোরকপনি। মরমদুনা ''লিটরেরি ইপিক্স আর বার্কস ওফ আর্ট গ্রাপ্ত এন্দ রিটন ইন ইমিটেসন ওফ সম ফোক ইপিক্স...'' হায়বদুগী ময়েক লারবা খুদমনি মসিগীসু মথক্তা মমিং চৎলবা ফোকলোরিষ্ট প্রাফুল্লাদত্তা গোস্বামি মশামক্তা খম্ব-থোইবী শৈরেং অসিদি নোংপোক ভারত্তা অমত্তা ছাইলবা লিটরেরী এপিকনি হায়রমই। অমুকসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইহান হানবা ফোকলোরগী প্রোফেসর আই আর বাবুগী মোত মতুংইন্না অশেংবা লিটরেরী এপিক অমনি খম্ব-থোইবী শৈরেং। মণিপুরদা লৈরিবা লৈবাক্তা শকখঙনরবা মীওইশিং খরদং পল্লবদা- লৈমাপোকপম দামোদর সিংহ, পোঃ চোংথাম মণিহার সিংহ, প্রোঃ ওইনাম ইবোচাউবা সিংহ, প্রোঃ নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ, প্রোঃ এল বিরমিতা দেবীনচিংবনসু খম্ব-থোইবী শৈরেং অসি লিটরেরী ইপিকনি হায়না অকলনা মোত ফোঙদোকই। মণিপুরী দিপার্টমেন্ট, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফোকলোর প্রোফেসর ওইরম্মা ডা হুইরেম বিহারী সিংহনা য়াম্না ময়েক শেংনা মরী লৈনবা খুদম মতিক চানা পীদুনা খম্ব-থোইবীশৈরেং অসি লিটরেরী এপিকনি হায়না হায়রি। মসিগী মথক্তা লইহিরিক অসি 'ফোক এপিক' নৎত্রগা ওরেল ইপিক' নৎত্রগা 'এপিক ওফ গ্রোথ' নৎত্রগা প্রাইমারি এপিক' নত্তে হায়বদা নত্তনা 'সেমিলিটরেরী এপিক' নৎত্রগা 'ত্রেদিসন-ওরিয়েন্টেদ ইপিক'কী মখলদা থম্না য়াদে হায়রগী মরম কয়া পীদুনা ফোঙদোক্লি। মণিপুরী সাহিত্যগী ক্রিটিক অমা ওইরিবা অনিবম কুমার শর্মানসু খম্ব-থোইবী শৈরেং অসি লিটরেরী ইপিক অমনি হায়রি। প্রোঃ হাওবম নবীকুমার সিংহ অমসুং নাওরেম বিদ্যাসাগর সিংহনসু খম্ব-থোইবী শৈরেং অসি লিটরেরী এপিক অমনি হায়না মোত ফোঙদোকই। মথক্তা পঙ্গ্রিবা খরা ডগীনা হিজম অঙাংহল সিংহগী খম্ব-থোইবী শৈরেং অসি মণিপুরী সাহিত্যগী মমল য়াম্লবা লিটরেরী এপিক অমনি হায়দবা ওগ্রোহি।■


**মতেং পৌথিবা লাইরিকশিংঃ**

১. Alan Dundes, Ed., *The Study of Folklore*, Englewood Cliffs, New Jersey, Prentice Hall, 1965, p. 37

২. হিজম অঙাংহল সিংহ, খম্ব-থোইবী শৈরেং, ইম্ফাল, ২০০৫, লাঃ গ, ঘ।

৩. J.A. cuddon, Ed., *A Dictionary of LIterary Terms and Literary Theory*, Fourth edition, Maya Blackwell, Dlehi, Doaba House, 1998, p. 264

৪. M.H. Abrams, *A Glossary of Literary Terms*, Third edition, Madras, Macmillan India Limited, 1995, p. 49

৫. N.D.R. Chandra and A.J. Sebastian, *Literary Terms in Poetry*, Delhi, Authors Press, 2001, p. 86

৬. ইবিদ, ২০০৫, লাঃ ৭-৮।

৭. ইবিদ, ২০০৫, লাঃ ১০৭০।

৮. ইবিদ, ২০০৫, লাঃ ১৮৮।

৯. ইবিদ, ২০০৫, লাঃ ৮০৮।

১০. ইবিদ, ২০০৫, লাঃ ২৭৯।

১১. Suniti Kumar Chatterji, *Kirata-Jana-Krti*, Calcutta, The Asiatic Society, 1974, p. 159.

১২. ibid, 2001, p. 4.


...definitions of folklore have had to cope with this inherent duality of the subject and often did so by placing the materials of folklore in different, even conflicting perspectives. In spite of this diversification, it is possible to distinguish three basic conceptions of the subject underlying many definitions; accordingly, folklore is one of these three: a body of knowledge, a mode of thought, or a kind of art. These categories are not completely exclusive of each other. Very often the difference between them is a matter of emphasis rather than of essence; for example, the focus on knowledge and thought implies a stress on the content of th materials and their perception, whereas the concentration on art puts the accent on the forms and the media of transmission.